## জম্মু এন্দ কাস্মিরগী ফিভম য়ান্না অরুবনি, গভর্ণমেন্টকী মতম ফংহনগদবনি ঃ সুপ্রিম কোর্ট



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** চয়োল অমা হেন্না সেক্যুরিটিনা লাক্সিন্দুনা থম্লিবা অদু খুদক্তা লৌথোক্লবা অমসুং হৌজিক ফাদুনা লৈরিবা পোলিটিকেল লূচিংবশিংবু থাদোক্লবা ৱাকৎ অদুগী মতাংদা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী ফিভম অদু অরুবা অমনি অমসুং মীয়ান্না শোয়দনমক গভর্ণমেন্টকী থৌশিলদা য়াগদবনি হায়খ্রে।

ঐখোয়না মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলক্কনি আশা তৌরি, অদুবু অহিং অমদা হেক্তা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা য়ারোই। কনামতনা করি থোক্লক্কনি খঙদে। মরম অদুনা মীয়ান্না গভর্ণমেন্টকী থৌশিলদা য়াগদবনি। মসি অরুবা হিরম অমনি হায়না কেস অদু চয়োল অনী য়ৈথোক্লন্দুনা কোর্ট অদুনা হায়খি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোক্লবগী গভর্ণমেন্টকী লাওথোক-ৱারোল অদুগী নোংমগী মমাঙ অগষ্ট ৪দগী ষ্টেট অসিদা মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎখি অমসুং মীওই মশীং য়ান্না পূনবা থিংনবগী ওর্দর চল্লাইখি।

লান্মীশিংনা ফাওবা মখোয়গী ইমুং-মনূংশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে হায়না পেটিসনর অদুনা হায়খিবা ৱাফম অদুদা খুদোম্বী থিল্লদুনা ইন্টরনেট অমসুং ফোন কনেক্টিভিটিসু ককথৎখি। মফম অদুদা থোক্লিবা ফিভম অদু রিভ্যু তৌব্রা হায়না হংলকখিবা কোর্টকী ৱাহংগী পাউখুমদা সেন্টরনা ফিভম অদু নুমিৎ খুদিংগী রিভ্যু তৌই হায়খি।

ঐখোয়না ফিভম অদু থুনমক মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলক্লগনি থাজে হায়না গভর্ণমেন্টকী খ্বাইদগী ৱাংবা লো ওফিসার, এট্রোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা কোর্ট অদুদা হায়খি।

লৌখৎলিবা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং অদু য়ারিবমখৈ খুদোঙচাদবশিং থোকহন্দনা লো এন্দ ওর্দর খক ঙাক্তুনা থন্নবগী মওংদা থমখিবনি হায়না এট্রোর্নি জেনরেল অদুনা হায়খি।

জুলাই ২০১৬দা ঐখোয়না মসিগী মান্নবা ফিভম অমা থেংনখ্রে। মতম অদুদা বুরহান ৱানি য়াওনা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখি। লম্বীদা মীয়াম থোক্লকখি। মতম অদুদা ইন্টরনেট ককথৎখি। মীওই ৪০ হেন্না শিখি। হৌজিকতি সুপ্নগী মীওই ১ ফাওবা শিবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐখোয়না থোক্লিবা অশেংবা শক্তম অমা খঙগদবনি। মতম পীগদবনি। মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলক্কবা ঙাইবা তাবনি। করিগুম্বা ফিভম অসি মখা তানা লৈরবদি পেটিসনর অদুনা কোর্টতা লাকপা য়াই হায়না জষ্টিস অরুন মিশ্রনা লূচিংবা জজ ৩গী বেঞ্চ অমনা হায়খি।

## মকোক থোংবা য়ু এন বোদিনা লৈপরেংশিং পায়দুনা ঙাইরম্লোই ঃ পাক ফোরেন মিনিষ্টর

***মুজাফরবাদ, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** ইস্লামবাদকী ফিরেপপু শৌগৎনবা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা লৈপরেংশিং পায়দুনা ঙাইরমগনি হায়বগী আশা তৌদুনা অপঙবা মঙলান অমদা লৈতনবা পাকিস্টানিশিংদা পাকিস্টান ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মেহমুদ কুরেসিনা অপিল তৌখ্রে।

পূক্নিংগী ঈথিল অমা ফোঙদোকপা লায়। য়ানীংদবগী খোল্লাও লাওবসু য়ান্না লায়, অদুম ওইনমক থোক্লিবা ৱাথোক অদু শেংনা মশক খঙবা অমসুং মাঙলোমদা খোঙ থাংজিনবদি অরুবনি।

মখোয়না মখূৎতা লৈপরেংশিং পায়দুনা নখোয়গীদমক ঙাইদুনা লৈরম্লোই। পি-৫ লৈবাকশিংগী মনূংদগী মেম্বর অমত্তনা অপনবা খুরৌ অমত্তদা মায়োক্লনিংদে। অপঙবশিংগী লাইরৈবাক্তা লৈনবা হোৎনগনু হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা পি টিভিদা উৎখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোরেন মিনিষ্টর কুরেসিনা হায়খি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোক্লবা কনষ্টিট্যুয়েসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াবু শৌগৎপদা রসিয়ানা অহানবা পি-৫ মেম্বর ওইনা থোক্লকখিবা অদুগী নোংমগী মতুংদা মিষ্টর কুরেসিগী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

ইন্দিয়ানা পাংথোকখিবা থবক পূন্নমক অদু কনষ্টিট্যুসনেল ফ্রেমৱার্ককী মখাদিনি হায়না রসিয়ানা হায়খি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসসু নাকন অমত্তদা মীচং চংদনা ময়াইদা চপ লেপ্তুনা লৈরি।

অদুম ওইনমক জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ওইরক্লিবা হৌজিক্কী ফিভম অসিগী মতাংদা চিনানা মখোয়গী নুংনাংবশিং ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা চিনাদা চৎপা মহাক্কী খোঙচৎকী মতুংদা মিষ্টর কুরেসিনা ফোঙদোকপদা কাস্মিরগী মতাংদা বৈজিংনা য়ু এন এস সিদা ইস্লামবাদতা শৌগৎকনি হায়খি। নাকন অমরোমদা ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাস্মির ইন্দিয়াগী শেৎতোক্লবা য়াদবা শরুক অমনি হায়বা ফিরেপ ময়েক শেংনা হায়খি অমসুং ৱাথোক অদু মপূং ফানা মনূংগী ৱাথোক্লি হায়খি।



## লাইশঙ লৈরম্ব্রা দিবেট তৌনরি

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** সুপ্রিম কোর্টতা অয়োধ্যা কেসকী ঙসি ৫নি চনবা নুমিৎতা য়েৎনরিবা মফম অদুদা লাইশঙ অমা লৈরম্ব্রা হায়বগী মতাংদা মরৈ য়েৎনদুনা দিবেট তৌনরি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচিংবা জজ ৫গী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অদুদা রাম লাল্লা বিরাজমনগী দমক লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট সি এস বাইদ্যনাথননা মোস্ক লৈরিবা মফম অদুদা লাইশঙ অমা লৈরম্ব্রা হায়বা ৱায়েৎ পুখৎলকখি।

অযোধ্যাদা লৈরিবা লম একর ২.৭৭ অদু সুন্নি ৱাকফ বোর্দ, নিরমোহি অখারা অমসুং রাম লাল্লা- অহুম অসিদা চপ মান্ননা য়েনথোক্কদবনি হায়বা সিভিল সুট মরীদা এলাহাবাদ হায় কোর্টনা ২০১০দা পীখিবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা আপিল ১৪ থাংগৎলকখিবনি।

সিয়া মুস্লিম মির বাকিনা ১৬শুবা চহী চাদা মফম অদুদা শাখিবা বাবরি মসজিদ অদু ১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা থুগাইখিবনি।

## আর্মি চীফনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং কাস্মিরিশিংগগী মরক্তা নুংশিনবা মরী পাম্লি



***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** পাকিস্টানদগী পীরকপা অকিবা অমা হেক্তা থেংননবা আর্ম ফোর্সশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরবা ফাওবদসু আর্মিনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মীয়ামগা নুংশি-চান্নবা মরী অমগীদমক লেপ্তুনা লৈ হায়না আর্মি চীফ জেনরেল বিপীন রৱাটনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

১৯৭০গী চহীশিং অমসুং ১৯৮০গী চহীশিংদা আর্ম ফোর্সশিংগা কাস্মিরগী অচম্বা মীয়ামগা লৈনখিবা মরীশিং অদু য়ান্না নুংশি চান্নবগী মরী অদুনি। ঐখোয়না মীয়ামগা অফবা মরী থমগনি। মতম অদুগী মীয়ামগা নুংশি-চান্নবা মরী অদু অমুক হৌরবদি য়ান্না নুংঙাইগনি। মতমদুদা ঐখোয়না খূৎলাই য়াওদনা মীয়ামগা উন্নখি হায়না সোসাইটি ওফ ইন্দিয়ান দিফেন্স মেনুফেচররসতা পাংথোকপা সেমিনর অমদা জেনরেল রৱাটনা হায়খি।

জেনরেল রৱাটনা হায়খি, কাস্মিরদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মরমদগী পুলৱামাগা মান্নবা থৌদোক অমা অমুক হন্না মফম অসিদা থোক্লকপা য়াই হায়বা পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ৱাঙাংশিং অদু ঙাংজদুনসু লৈবাক অসিনা করিসু কিনিংঙাই লৈতে।

ঐখোয়না মতম পূন্নমক্তা থোক্লকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক্কীদমক থৌরাং তৌরি। ঐখোয় মতম পূন্নমক্তা মিৎ-না শিংনা লৈরি। অসিগুম্বা ৱাঙাংশিং অসিদগী করিসু ৱানিংঙাই লৈতে হায়না আর্মি চীফ অদুনা হায়খি।

কাস্মিরদা হন্দক ওইরকখিবা পোলিটিকেলগী ফিভমশিং অদুগী মহে অমা ওইনা পুলৱামাগী থৌদোক অদুগা মান্নবা থৌদোক অমুক হন্না থোক্লকপা য়াই হায়না পাকিস্টানগী পার্লিয়ামেন্টকী জোইন্ট সেসন অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খি।

পুলৱামাগা মান্নবা এটেকশিং অমুক হন্না থোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈ। ঐনা মসি থোক্লকপা য়াই হায়বদি হান্ননা মাঙজৌননা হায়খ্রবনি হায়না ইমরান খানা মখা তাখি।

মখোয়না অমুক হন্না ঐখোয়দা মরান থংজিন্নবা হোৎনরকপা য়াই। মখোয়না ঐখোয়দা অমুক্না হন্না এটেক তৌরকপা য়াই, মদুদা ঐখোয়না লম্মন খুম্বগী এটেক তৌগনি হায়না মিষ্টর খাননা ফোঙদোকখি।

## হোকি শান্নরোই নুপী ২ থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে

***রাঞ্চি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** ঝরখন্দগী সিমদেগা দিষ্ট্রিক্টতা হোকি শানরোই ট্রাইবেল নুপী অনী উ পাম্বী অমদগী থৌরি য়াল্লগা শিরগা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সুনন্দিনি বাঘে (২৩) অমসুং শ্রাধা সোরেং (১৮) থাংজ নুমিৎতগী থিবা খঙখিদবনি অমসুং মখোয়গী হকচাংশিং অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা উ পাম্বী অমদগী য়াল্লগা লৈরমখি। মখোয় অদু হাৎখিবনি হায়না মখোয়গী মরী-মতাশিংদা ফোঙদোক্লি।

সুনন্দিনিনা ওরিষ্যাদগীনি, শ্রাধানা ঝরখন্দগীনি। রুরকেলাদা হোকি কোচিং সেন্টর অমদা ট্রেনিং তৌবদা খঙ্গন্দুনা মরুপ-মপাং ওইখিবনি।

## ঈচাও নংলবা কর্নাতকাদা আই এ এফনা মীওই ৫০০ হেন্না খুদোংথিবদগী কনখ্রে

***বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** কুমগী নোংজুনা মহারাষ্ট্র, কর্নাতকা অমসুং কেরেলানচিংবা ষ্টেট কয়ামরুমদা ঈশিং-ঈচাওগী খুদোঙথিবা নংহনখ্রে। ষ্টেটশিং অসিদা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০০ হেন্না শিখ্রে।

হৌখিবা চহীদা থোকখিবা চহী ১০০গী মনূংদা খ্বাইদগী শাথিবা ঈচাও অমগী অৱাবা কোকপা ঙমদ্রিবা কেরেলাদা হৌখিবা চয়োলদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮৮ শিখ্রে। করনাতকাদা মীওই ৪৮ শিখ্রে। করনাতকাদা মীওই লাক্ষ কয়া ময়ুম -মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

ঈচাওগী শাথিবা খুদোঙথিবা মায়োক্নবা ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা চয়োল অমা মীয়াম কন্নবগী থবক্তা মীওই ৫০০ হেন্না কনখ্রে। এয়ার মার্সেল এস কে ঘোটিয়ানা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পাইলোটশিং অসি খুদোংথিরবা ফিভমশিংগীদমক ট্রেনিং তৌরকখ্রবশিংনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঈশিং -ঈচাওদা খূঙ্গং ১,০০০, য়ুম ৪০,০০০ হেন্না শোকহনখ্রে। চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পনা ঈচাওনা ঙসি শোকহনখ্রবা লমদম অসিদা রিলিফ রিলিফকীদমক সেন্টরদগী ষ্টেট অসিদা লূপা ক্রোর ১,০০০গী তেংবাং পীরক্লবা হায়জখ্রে।

নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সশিংগী টিমশিংনা য়ৌশিনবা ঙমদবা মফমশিংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সশিংনা চংশিল্লি। রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অসিদা হেলিকোপ্টর ৫ শিজিন্নরি।

মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদ্নাবিজনা চিয়ার লৌদুনা ঙসি ষ্টেট কেবিনেট ফমখ্রে অমসুং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক লূপা ক্রোর ৬৮১৩গী তেঙবাং লাওথোকখ্রে।



## সুপ্রিম কোর্টতা অর্জেন্ট হিয়ারিং তৌবীনবা হায়জখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** ষ্টেট এসেমব্লিদগী মখোয়বু দিসক্বালিফিকেসন তৌরকখিবদু শিংনবা মখোয়গী ৱাকৎ অদু অর্জেন্ট হিয়ারিং তৌনবগীদমক করনাতকাদগী রিবেল কোংগ্রেস -জে দি (এস) এম এল এ শিং অদুবু রেজিষ্ট্রারদা মেমো অমা পীশিন্নবা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

রিবেল এম এল এশিং অদুগীদমক লেপ্লিবা সেনিয়ার এদভোকেট মোকুল রেহাতগীনা এম এল এশিং অসি লোয়নমক দিসক্বালিফাইদ তৌরকখ্রে অমসুং মখোয়গী হীরম অসি হিয়ারিংগীদমক আগষ্ট ১৯দা হাপ্পীনবা বেঞ্চ অদুদা হায়জখিবনি।

## এস পি মুখর্জীগী ষ্টেচু অকাই-অতোয় থোকহল্লম্লে



***ভিলৱারা, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** রাজস্থানগী ভিলৱারাগী শাহপুরদা লৈবা ভরতিয়া জন শঙ্ঘ ফাউন্দর শ্যামা প্রশাদ মুখর্জীগী ষ্টেচু অদু ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা অকাই-অতোয় থোকহল্লম্লে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মশক খঙদবা মথোঙ চাদবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়না শাহাপুর পুলিস ষ্টেসন ইন-চার্জ ভজনলালনা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা অদুগী মতুংদা ষ্টেচু অদুদা য়ৈখাই-থিনগাইবগী থবক অদু নোংমাইজিংগী নুমিদাংগী অথেঙবদা চথুরম্বনি হায়না মফমদুগী মীওইশিংনা হায়খি।

স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবদা এস পি মুখর্জীনা অহানবনি।

## থম্মোয় শোক্লবী হোং কোং লিদরনা প্রোটেষ্টরশিংদা ঈংথবীনবা আপীল তৌখ্রে, এয়ারপোর্ট অমুক হাংদোকখ্রে



***হোং কোং, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** হোং কোং লিদর কেররি লামনা এসিয়াগী শেনমিৎলোনগী ময়োল অসিবু চাহৎখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদগী সিটি অসিনা অমুক হৌগৎলক্নবা হোৎনবদা শাংলবা মতম অমা চংলগনি অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিং অসি হন্থরবা তূংদা মসিগী শেনমিৎলোন অমুক হন্না শাগৎনবগী দায়ত্ব অদু মহাক্কী ওইগনি হায়না ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা হেন্না চাওখৎলকখিবা ৱাথোক অদুদা শাথিরবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রবগী তূংদা মহাক্কী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লকখিবনি।

বৈজিংনসু প্রোটেষ্টশিং অসিদা টেরোরিজম মরু হুনবা হৌরে হায়না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি অমসুং সিটি অসিগী এয়ারপোর্ট অদু মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদবা মওংদা থিংজিনখি। ফ্লাইট চা কয়া নমদুনা তোকহনখি।

চিনানা ঙরাং প্রোটেষ্টশিং অসি অরুবা তাঙ্কক অমা য়ৌরকখ্রে হায়খি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা নুমিৎ খরনিসিদা পুলিসতা খূৎ থানবা য়ান্না খুদোঙথিনীংঙাই ওইবা খূৎলাইশিং শিজিন্নখি। মদু টেরোরিজমগী মরু হৌগৎলকপগী শাথিবা ক্রাইমশিংনি হায়না হোং কোং অমসুং মকাও এফিয়ারস ওফিসকী ৱাঙাংলোই য়াং গুৱাংনা বৈজিংদা হায়খি।

ঙসি ফ্লাইট খরা অমুক হন্না পাইবা হৌবগা লোয়ননা হোং কোং এয়ারপোর্ট অমুক হাংদোকখ্রে। অদুবু হৌজিকসু ভিয়েৎনাম এয়ারলাইন্স, জেটষ্টার পেসিফিক অমসুং মলেসিয়ান এয়ারলাইনশিংনা পেসেঞ্জরশিংবু পাইবগী মতম অমুক নৌহৌননা লেপ্পবা পাউতাক পীখি।

হোং কোংগী ফ্লেগ কেরিয়র কথে পেসিফিকনা মখোয়গী ৱেবসাইটতা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাইখিগদবা অমসুং পাইরক্কদবা ফ্লাইট ২০০ হেন্না ককখ্রে হায়খি। মশক মমিং ফোঙদোক্তবা এয়ারপোর্টতা লৈবা কথে কষ্টমর ওফিসার অমনা এয়ারলাইন্স অদুগী ফ্লাইট পূন্নমক ফুল ওই হায়বা য়াই হায়খি।

## আর্জুন এৱার্দি বাবিতা ফোগট অমসুং দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দি মহাবির বি জে পিদা য়াওখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** ইন্টরনেসনেল রেষ্টলর, আর্জুন এৱার্দি বাবিতা ফোগট অমসুং মহাক্কী অপোকপা মপা দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দি মহাবির ফোগট ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি জে পিদা য়াওখ্রে।

মহাক্কী মচানুপীশিংগী রেষ্টলিং তম্বিনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা মহাবির ফোগট অমসুং মমৈথংদা মায় পাকখিবা অদুনা হিন্দি ফিল্ম ‘দংগাল’গী ইথিল ওইখিবনি।

আর্জুন এৱার্দি অমসুং দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দি মপা-মচা অনী অসিনা স্পোর্টস এন্দ য়ুথ এফিয়ারসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু, পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ, হরিয়ানা অনিল জেন অমসুং পার্টিগী ষ্টেট চীফ সুভাশ বরলাগী মাঙদা পার্টিদা য়াওখি।

ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নসিপ কয়ামরুমদা মেদল কয়া লৌরক্তুনা লৈবাক অসিগীদমক্তা মিংচৎ পুরকখিবগীদমক রিজিজুনা বাবিতাবু য়ুথ আইকোন অমনি হায়না শিংথাখি।

মহাক্কী মপা মহাবির ফোগটসু মহাক্কী মচানুপীশিংবু রেষ্টলিং তম্বীখিবা অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্কী রেষ্টলরশিং ওইহনখিবগীদমক আইকোন অমনি হায়না শিংথাখি।

বি জে পিগী হরিয়ানাগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ অনিল জেননা শক্লইরবা মীওই অনী অসিনা য়াওরকখিবা অসি হরিয়ানা বি জে পিগীদমক য়ান্না শীংথানিঙাই ওইবা নুমিৎ অমনি হায়খি।



লৌথোকখিবা নুমিৎ অদুবু মতম পূন্নমক্তা নিংশিংদুনা লৈরগনি হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহদা সেলূট তৌজরি, জয় হিন্দ হায়না মহাক্না ত্বিইট তৌখি।

জননায়ক জনতা পার্টিগী স্পোর্টস ৱিংগী চীফ ওইরিবা মহাবির ফোগটনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদা সি আর পি এফ পার্সোনেল ৪০ হেন্না হাৎখিবা পুলৱামা টেরর এটেকপু লমন খুম্বা নৎত্রগা আর্টিকল ৩৭০ মুখৎপগুম্বা অচৌবা ৱারেপশিং লৌবা ঙম্বসি সুপ্নগী মোদি খক্তনি হায়খি।

মহাবির ফোগটনা মহাক্কী মচানুপী ৪বু মতম অদুদা খুন্নাইগী চৎনবীগী মায়োক্তা রেষ্টলরশিং ওইনবা কোচিং তৌদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ‘বেতি বচাও, বেতি পড়াও’ স্কিম অদুগী ফিদমশিংদা হিংলকখি হায়না বি জে পি মেদিয়া হেদ অনিল বালুরিনা হায়খি। বাবিতা ফোগট কম্মনৱেল্ঠ গেমস গোল্ড মেদালিষ্ট অমনি অমসুং ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নসিপ কয়ামরুমদসু মেদলশিং লৌরকখ্রবীনি।

## রেপ কেসশিংগীদমক ফাষ্ট-ট্রেক কোর্ট ১০০০ লিংখৎলগনি

***ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** পন্দুনা লৈরিবা রেপ কসেশিংগীদমক লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা ফাষ্ট- ট্রেক স্পিসিয়েল কোর্ট ১,০০০ হেন্না লিংখৎনবগী থবক অদু ওক্টোবর ২দগী হৌরগনি হায়না লো মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

লূপা ক্রোর ৭৬৭.২৫কী অপূনবা বজেট অমদা দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা ফাষ্ট-ট্রেক কোর্ট ১০২৩ লিংখৎনবা ৱাফম থাঙ্গৎলকখিবনি। সেন্টরনা চহী ১গীদমক নিরভায়া ফন্দকী মখাদা লূপা ক্রোর ৪৭৪ পীগনি। দিল্লিদা মহৈরোই নুপী অমা রেপ তৌখিবা অমসুং হাৎখিবা দিসেম্বরগী থৌদোক অদুগী মতুংদা নুপীশিংগী শাফনবগীদমক থবক তৌরিবা এনজিওশিং অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবকশিং শৌগৎনবা সেন্টরনা ফন্দ অসি ২০১৩দা লাওথোকখিবনি।

## সশি থারুর ফানবা ৱারেন্ট থোকখ্রে

***কোলকতা, ওগষ্ট ১৩(এজেন্সি)ঃ*** হৌখিবা চহীদা ‘হিন্দু পাকিস্টান’ অমা শেম্বগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাঙাং অমগীদমক কোংগ্রেস এম পি সশি থারুরগী ময়োক্তা ঙসি কোলকতা কোর্ট অমনা ফানবা ৱারেন্ট অমা থোকখ্রে।

এদভোকেট সুমীত চৌধরিনা থাঙ্গৎলকপা কেস অমগী য়ুমফমদা সিটি অসিগী মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট কোর্ট অমনা থিরুভনন্থপুরম এম পি অদুগী মায়োক্তা ৱারেন্ট অদু থোকখিবনি।

থিরুভনন্থপুরমদা পাংথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মিষ্টর থারুরনা বি জে পিনা মাইনোরিটিশিংগী হক ইকাইখুন্নদবা পাকিস্টানগা য়ান্না মান্নবা লৈবাক অমগী লম্বী ফাৎনবা অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অমা ইগদৌরি হায়খি।

করিগুম্বা লোক সভাদা বি জে পিনা অমুক হন্না মায় পাক্লবদি ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক কনষ্টিট্যুসন হিংলরোই।

মহাত্মা গান্ধী, নেহরু, সরদার পতেল, মৌলানা অজাদ অমসুং নিংতম লানথেংগী অচৌবা হেরোশিং অদুনা শেন্নবা হোৎনরমখিবা অদু নৎতবা হিন্দু পাকিস্টান অমা ওইহল্লক্কদবা অনৌবা কনষ্টিট্যুসন অমা ইরগনি হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা অদুনা হায়খিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-212**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | | 4 | 2 | 1 | | |
| | | 4 | | 1 | 7 | 8 | | |
| | | 7 | 6 | | | | 3 | 2 |
| 8 | | | | | 3 | 7 | 2 | |
| 7 | 2 | | | 6 | | 9 | | |
| 1 | | 6 | 2 | | | | | 4 |
| | 7 | | 4 | | | 5 | 8 | |
| | 6 | | | | | 2 | | 7 |
| 4 | | 2 | | | | 6 | | |

**সনা-সুদোকু - ২১১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 6 | 3 | 8 | 2 | 4 | 5 | 9 |
| 5 | 9 | 2 | 4 | 1 | 7 | 8 | 3 | 6 |
| 8 | 3 | 4 | 5 | 9 | 6 | 7 | 1 | 2 |
| 9 | 2 | 7 | 6 | 3 | 8 | 5 | 4 | 1 |
| 4 | 6 | 5 | 9 | 7 | 1 | 2 | 8 | 3 |
| 3 | 8 | 1 | 2 | 5 | 4 | 9 | 6 | 7 |
| 6 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 | 1 | 9 | 4 |
| 1 | 7 | 3 | 8 | 4 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 2 | 4 | 9 | 1 | 6 | 5 | 3 | 7 | 8 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 23/07/19
Sl. No. : 3850
Valid : 19/07/19
Sl. No. : 2160
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 02/08/19
Valid : 24/07/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : Up to date
Stk : 306, 19 & 5kg Avail
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 14/08/19
Valid : 04/07/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 448, 19kg - 225
Time : From 08.30 a.m.